ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯹, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯰꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, জুলাই ০৯, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১০৪শুবা মশীং

# কোভিদ-১৯গী এস ও পী ঙাক্তবা

## খুদোংথীবা নংলবা মতমদতা ৱাখল তারকপগী মতৌ থাদোকসি

চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী শন্দোকপা হৌরকখিবা কোভিদ-১৯গী লাইচং মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়াদা মথং মথং শন্দোরক্লবা মতুং ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী অহানবা কেস কুমজা ২০২০গী জনুৱারী ৩০দা থেংনখি। মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ঙরাং ফাওবদা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিং ৭,৪২,৪১৭ য়ৌখ্রে। অদুগা কেস ৪,৫৬,৮৩১না লায়না অসি নারম্বদগী ফগৎলকপগা লোয়ননা মীওই ২০,৬৪২না লায়না অসিনা নাবদগী শিখ্রে। এসিয়াগী লৈবাকশিংগী মনুংদা কোভিদ- ১৯গী কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক ওইবগা লোয়ননা মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তসু অহুমশুবদা লৈ। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কেস ৩,০৯৭,৫৬৯ য়ৌখিবগা লোয়ননা মালেমদা খ্বাইদগী কেস মশিং য়াম্না থেংনবা লৈবাক ওইরি। অদুগা ব্রাজিলগীনা কেস মশিং ১৬,৭৪,৬৫৫ য়ৌখিদুনা মালেমদা কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা অনীশুবা লৈবাক ওইরি। ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মহারাষ্ট্রনা কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্না থেংনরি। অদুগা টামিল নাদু, দিল্লি, গুজরাট অমসুং উত্তর প্রদেশনা মথং শীৎনা অনীশুবা, অহুমশুবা, মরিশুবা অমসুং মঙাশুবদা লৈরি। মণিপুরগী ওইনসু ঙরাং ফাওবদা কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিং ১,৪৩০ থেংনখ্রে। লায়না অসি নারম্বদগী ফগৎলকখিবা কেস মশিংনা ৭৭১ অমসুং এক্টিভ ওইরিবা কেস মশিংনা ৬৫৯নি। ষ্টেট অসিদা ঙসি ফাওবা কোভিদ-১৯গী সিমটোমেটিক কেস অমত্তা থেংনবা লৈত্রি। কেস খুদিংমক এসিমটোমেটিক ঙাক্তা থেংনরি। লায়না অসিনা মীওই অমা ফাওবা শিখিদ্রি। মসিমক ষ্টেট অসিগী ওইনদি লাইবক ফবনি। অদুবু ষ্টেট অসিদা নুমিৎ খুদিংগী কেস মশিং হেনগৎলকপদি লেপ্পা লৈত্রি।

লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরকপা থিংননবা অমদি লাকশিন্ননবা তাঙ্কক কয়ারক থোক্লা লোকদাউন চত্থদুনা লাক্লি। মতম মতমগী ওইনসু লৈঙাক্লা ষ্টেন্দার্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) ঙাক্লা চৎননবা মীয়ামদা লাউথোক্তুনা লাক্লি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লীয়ু ঐচ ও) অমদি ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিসার্ছ (আই সী এম আর)নসু কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লনবা মতম মতমগী ওইবা গাইদ লাইনশিং লাউথোক্তুনা মীয়াম্না ঙাক্লা চৎননবা খঙহল্লি। মণিপুর লৈঙাক্লসু ষ্টেট অসিদা চৎনগদবা এস ও পিশিং থেংখাং কয়ারক থোক্লা লাউথোকপা লৈখ্রে। মণিপুরদসু অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯গী কেস অসি মার্চ থাগী লোইরমদাই শরুক্তা থেংনখিবনি। মসিগী মতুংদা অতোপ্পা কেস অমগা অমুক থেংনরবা মতুং মতম খরদি কোভিদ-১৯ ফ্রি ষ্টেট ওইরুরবনি। অদুবু মপান্দা পন্দুনা লৈবা মণিপুরীশিং ষ্টেটসিদা হল্লকহনবগী থৌরাং লৌখৎখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী হল্লকখিবা মীওইশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯গী কেস লেপ্পা লৈতনা থেংনরকখিবনি। মপান্দগী হল্লকপখক নত্তনা ফ্রন্টলাইনদা থবক তৌরিবা দোক্তর অনী য়াওনা হেল্থ ক্যের ৱার্কর ৬সু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরুরবা মতুং হৌজিক্তি ফগৎখ্রে। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী পর্সনেল ৪০ হেন্না পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। জিরিবামদা পুলিস পর্সনেল কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবা অসি লোকেল ট্রান্সমিসননি হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মসিগীসু মথক্তা মপান্দগী হল্লকখিবা চহী ৭কী নুপীমচা অমসু নেগেটিভ ওইরে হায়দুনা হোম ক্বারন্টিন তৌদুনা ময়ুমদা লৈহল্লুরগা নৌনা অমুক টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখ্রবনি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপা অমদি লোকেল ট্রান্সমিসনগী থাক ফাওবা য়ৌরক্লবসু লমদমসিগী মীওই কয়ানা লায়না লাইচৎ অসিগী মীপায়বা হেনগৎলকপগী মহুৎতা হেন্নদুনা থৌওইরক্তবগী মতৌ উরক্লি। মীয়াম তিনবা মফমদা থোরকপা মতমদা শুংশোই শোইদনা মাস্ক উপ্পবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎনবা ৱাফম মফম অয়াম্বদা থৌওইদবগুম তৌরি। মীশিং য়াম্না তিনবা হন্থহন্নবগীদমক লৈঙাক্লা থাঙ্গাল অমসুং পাউনা কৈথেলগী দুকানশিং পালি নাইনা থোং হাংনবা খঙহল্লবসু নারোন্দদা পোৎ য়োন্নরি। অখুবা গলিদা লৈরিবা দুকানশিং হাংবা য়ারোই হায়রবসু লোন্না-থুপ্না হাংনরি। লায়না লাইচৎ অসিবু শন্দোকপা থিংনবা মফম চাদনা তিন শীৎপা, খাইনি, তলব, ক্বানচিংবা চ্যুৱিং টেবেকো প্রদকশিং মীয়াম তিনবা মফমদা শীজিন্নবা অমদি য়োনবা থিংলবসু মণিপুরদদি ৱাফম অসি লল্লোলনবশিং অমদি হীদাক মনাগী পোৎলম শীজিন্নবা মীওইশিংনা ঙাক্লা চৎপগী মতৌ উদ্রি। জিরিবামদা লোকেল ট্রান্সমিসন লৈরে হায়খ্রবা মতুং অসিদা মফম অসি ফাওদুনা পোৎ-চৈ পুরগা লাক্লিবা ট্রকশিংগী দ্রাইভর অমদি হেন্দিমেনশিংগী আই এস বি টিদা স্ক্রিনিং তৌবদসু সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তে। মতৌশিং অসিনা মরম ওইরগা করিগুম্বা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি কম্যুনিতি ট্রান্সমিসনগী থাক য়ৌহল্লক্লবদি শোইদমক্কী চাওনা খুদোংথিবা নংগদৌরিবনি। লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ থেংননবা লাউথোক্লিবা এস ও পিশিং ঙাক্তবা অসিনা মরম ওইরগা খুদোংথিবা নংলবা মতমদতা মীয়াম্না ৱাখল তারকপগী মতৌ থাদোকসি। খুদোংথিবা নংদ্রিঙৈদা ৱাখল তাদুনা চেকশিলহৌসি।

### এডিটরদা থারকপা চিঠি

## কোরোনাভাইরসনা লাকপসিদা ঐখোয় মীকপ থোক্তুনা অচৌবা পরা অমা তমহৌরসি

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী মওং অসিদা ঐখোয় ৱাখল খরদি খন্থবা মতম অদু ওইরব্রা হায়বগী ৱাহং অমদি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা লৈরীবা মীপুম খুদিংমক্লা হংবা মথৌ তারব্রা হায়না খঞ্জে। মরমদি ঐখোয়না মীগী মখা থানা হীংলুবনা মীগী য়াকা য়েংদুনা থবক তৌবা অমদি মীনা হায়রকপদু খক নত্তনা মশাগী ওইবা অমত্তা তৌবা ঙমদবা হায়বদু ওইরে। ঐখোয়গী লৌ ইঙ্খোল পূম্নমক পুমহাঙ হাঙদুনা থম্লগা মীঙোন্দগী পুশিল্লক্লগা চাগনি হায়দুনা খনবা অদুনদি ঐখোয় চাওখৎপা কৈদৌনুংদা ওইরোই। ঐখোয়গী খুন্নাই অসি হীরম খুদিংমক্তা পুত্থবা হায়বদু ওইরে। পুত্থদ্রিবা হায়ববু ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবা-য়োনবা, নুপা-নুপীগী ৱাথোক অদুগা মতম-মতমগী লাকপা লৈবাক কায়বা য়াবা ইশ্যুশিং অসিগতা ঙাইরে। হায়রিবা হীরম খরা অসিদদি কংলৈপাক অসিনা মকোক ওইরমগনি, অতৈদি অমত্তা লৌখৎপা য়াদ্রে। চানবা ৱাৎত্রবা মতমদা চাওখৎপা লমদম অমা হায়বদু ওইরক্কদৌরিবনি। হন্দক কোভিদ-১৯গী মতম অসিনা অচৌবা পরা অমা তম্বা য়ারবা মতমনি। মসিগী তাঞ্জা অসি নাম্থোকখ্রবদি ঐখোয় হৌগৎপা ঙমগনি হায়বা থাজদে। মরমদি অসিগুম্বা তাঞ্জা অসি পাক হেক লাক্কদবা নত্তে। হোয় তম্ববুদি ঙম্বা নত্তে। অদুবু থেংথখিবা হায়বসিনা অদুম থেংথরগদবনি। অদুনা ঐখোয় তাঞ্জা অসি লৌহৌদুনা কংলৈপাক অসি অমুক্তং মীখা থাদনা মীঙোন্দগী পোৎ লৌবগী মহুত্তা মীঙোন্দা ওইনা ঐখোয়না পোৎ থাদোকপা ঙম্লবদি শেন্মিৎলোন ফগৎলক্তুনা চাওখৎপা লমদম হায়বদু ওইরক্কনি।

নকল অমরোমদনা ঐখোয়না ঈনাৎ কন্নবা হায়দুনা কন্না হোৎনরিবা কয়া অসিসু ঐখোয়না ঐখোয়গী পূক্কে-লনগৈ অসিবু চোন্না থম্বা ঙম্লবা মতমদা মশা মতোমতা ঈনাৎপু নুংশিবগী, মীয়াম মাঙদা পুথোক্তুনা লেন্ননিংবগী ৱাখল অদুসু পোক্লক্কনি। লোয়ননা চাওখৎপা ৱাখল খনবগী চাং হেনগৎলক্তুনা মীতৌ তম্বগী ৱাখল থাদোকখিগনি। ঐখোয়গী খুন্নাই অসি লৈখা তানা মুৎলুরবা হায়বদু ওইরুরবনি। অদুবু মতমগী খোঙলৈনা ঙসিদি খজিক হাইগৎচরকপগী মমি অমা তারি অদুবু য়ৈখায় থিনগাইবীনবা ৱাত্তবনা মাঙহন-তাকহন্নবগী থৌদৌ কয়াসু অদুম্মক উরি। ঐখোয়গী ৱাখল অসি হন্দক লাক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা শেংনা শেংদোক চামথোক্তুনা ঈরুজথোকহৌনবগী তাঞ্জা অদু মীয়াম পুন্না লৌমিন্নরসি হায়না মীয়ামগী মফমদা থমজরি।

***অদোমগী : আই এস তোংব্রা, থিয়াম কোঞ্জিন, ইম্ফাল ইষ্ট***

# মীওইবগী শিনফম মরক্তবু করিগী অসুক খেন্নবা?

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

পামজবা শিনফম অমদা শিন-পাঙবা হায়বসিনা অমনি, হিংনবগীদমক শিনফম অমা পায়বা হায়বসিনা অমনি, অনী অসি শম্নদে হায়বসি হিংমিন্নরিবা থৱায়শিংদা খুদম চাংদম ওইনা উৎনবগীদমক্তি - লম অমত্তদা চন্নদ্রবা, তোখায়বা শিনফম অনীদা শিন-পাঙজরম্বা, হীরম অনীমক্তা চন্নদ্রবা মী ওইরম্বা, ননাই ঐগী মিং- তুংলমচৎকী মীশিংগী পূক্লিং-লৌশিং ওইনবা, পুথোক্তুনা নৈনবা য়াই। ইপা পোকপা ইপুবোক্তু জগোয়-ঈশৈদা পুন্সি কত্থোকখি হায়, গৌড়-লীলা হায়না খঙনবা আর্ট ফোর্ম অসি, বঙ্গালি লোন্দা শক্লম্বদগী মীতৈলোনদা ওন্থোক্তুনা শকখিবসিদা ইপুবোক্তুগী খুদোল য়াম্না চাওই হায়দুনা ইনে ইবেমপিশক (পুখ্রম্ব শামুগী য়োকচবী মমা)না ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা লীবীরকখি। জগোয়-ঈশৈদা মমিং লৈরবী (থৌরানিশাবী, থাঙহাইবীনচিংবা) ইমাশিং ইপুবোক্তুগা লোয়নরম্বগী ৱারী, ইনে ইবেমপিশক্লা লীরকখি। ইমাশিংদুনদি নোংমতা পল্লমদবনা, ঐনসু লমদুদা খোঙদারুদবনা ৱাফমসি, মতাং চাবদা নোংমতসু ফোঙদোক্লুদে। ইপুবোক্তুগী মিং 'সোইবম ঙৌব্রাম' কৌই হায়। ঐখোয় পোক্ত্রিঙৈ শিখিরম্লে। পুৱারীগী তাবুনুংদা মাঙখ্রবা মিং অমা শোয়দনমক্কী ওইগনি। খঙদে, খঙহৌবা/তাহৌবা কনানা নোংমতং মিং পনবীরক্লবা, লীজখ্রিবা ৱারীসিগী অচুম-অরান লেপ্পদা মতেং ওইবা য়াই। নৎলমদ্রবা, পঞ্জরিবা ৱারীসি হায়জীনবা ৱা ওইনা লৈহৌরগনি।

ৱাফম অসি পঞ্জরুবই মরমদি, ঐনা থিয়েটরগী তাইবংদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকপদা ইনে অমসুং ইপল (সোইবম ইরাবত)না 'মপুবোক্কী ঈ চঙবা মশু অমদি য়াওরক্লমাল্লে' হায়খিবদুদা খনখিবনি। ইপানা আর্টিষ্ট ওইরমদ্রব'সু ইপুদি কলাকার ওইরম্মাল্লে। অদুবু, ইপা অমদি ইপল'না কান্নদবা থৌরেম-ৱারেম, বিদ্যা-লমসিনি হায়নবা শিনফমসিদা চৎতনবা কন্না হোৎনখি। ইমা'খক্তনি 'ইচানা অসুক পামজরবু' হায়দুনা লোন্না পূক্লিং থৌগৎখিবা। শৈরেং থীবা অমদি ঈশৈদা ফংলকখিবা 'কপ' অদু ইমানা অলমিরা মথক্তা থেন্দুনা থম্বদা ইপলনা লাক্তুনা লংখিবা... দ্রামা রিহার্সেল য়াওরুরগা থেঙনা হল্লকপদা ইপলনা লাইরিক পুন্নমক খোমজিন্দুনা পায়শিনখ্রগা, অপাকপা চেবাং অমদা ময়েক লানা 'নঙনা পামজবা দ্রামাদুদা পুন্সি কত্থোক্লো, হয়েংদই স্কুল চৎলনু' হায়না ইরগা তেবলদা থম্লমখিবা... কাউঙমদ্রবা নীংশিং শক্তমশিংনি। অদুবু, ইপল ইরাবতকী লোইরমদাই পুন্সিগী চহী খরদুদি, 'ঐহাক, মাগী খ্বাইদগী থাজবা মচা' অমা ওইখি হায়বসিগীদমক খল্লুরগা চাউথোকচৈ।

ইহে, ৱাকোই শুদুনা লৈরুরে। ঐহাক্লা পামজবা শিনফমসিগী ৱারীনা হৌরগা ৱারী অমা লীগে খঞ্জরুবনি। ইশাগী ৱারী লীরুরে, ৱারৌবীনু। লিটরেরি অমদি থিয়েটর এক্টিভিষ্ট ওইরমগদবা ঐহাক্লা চহী কুন্থ্রা বেঙ্কর ওইনা বেঙ্ক'কী শিন্মী ওইরুরে, হিংনবগীদমক্তা। মান্নি, হিংনবগীদমক্তা। কলাগী শিনফম অমা পায়রগা, মশক থোকপা পুন্সি অমা লেনবা ঙম্নি হায়বদি মণিপুর কৌবা লমসিদা খল্লুদবনা ফগনি। পামজবা কলা অমদা কত্থোকপগা লোয়ননা কলাকার ওইগে খল্লবা, হিংনবগীদমক অতোপ্পা শিনফম অমা পায়বা তায়। নট-সঙ্কীর্ত্তনগী শিনফমসিনা অখন্নবনি। মমিঙ চৎলবা, লৈখিদ্রবা শৈশকপা অমনা, হকচাং শোঞ্জিল্লক্লবা, হেদো নাহে চল্লকপকাল, অহল হায়বদুদি ওইদ্রিঙৈ, নুমীদাংৱাইরম অমা নীংঙমদনা শোল্লমখি, 'ইন্দ্রকুমার! ঈশৈ শক্লগা চাগনি, নুংঙাই য়াইফনা পানগনি খল্লুবা... ঐগী ৱাখল লাল্লম্লে'। মমিং-মথাদি অপান্ননা পল্লরোই, নক্ল-লুনা তিন্নজবা, লাইয়েকপা কলাকার খরগী য়ুমদা কোয়রুবদা উরকখি- কিন্থগদৌ' ঙাইরিবা য়ুম, নৎত্রগা, মিরাং থুরবা মচু থোক্ত্রবা কাশিংদুদা, মফম-চাদা থেন্দুনা থমহৌরিবা অয়েকপা লাইশিং। অচৌবা সহরশিংগী আর্ট গেল্লেরিশিংদা থেন্দুনা লৈহৌবা লাইশিংদুনা হেল্লিবসি কৈদনো... খন্থরুবদা খঙলকই- পেইন্টিংগী মার্কেট লৈতবা, আর্টগী ভেল্যু খঙদবা, আর্টতুগী ভেল্যু খঙলবসু লৈবা ঙম্বা লৈতবা- লাই য়েকপনা শিনফম ওইবা ঙমদবগী মরমশিংনি। ফিল্ম-এক্টিং অমদি ফিল্মগী শিনফমদা শিনপাঙলিবা শিন্মীশিং, শুমাং লীলাগী আর্টিষ্টশিং, মণিপুরগী অতৈ কলাকারশিংগা চাংদম্নরুরগা শেন্থোক লন্বী অমা পী হায়বইদমক অদুক শাফই হায়বনি, শিনফমদুদই পোত্থারবা মতুংদা লেল্লিবা পুন্সি-মরেল অদুদি য়েংহৈদবা শক্তমনি।

কলাকারখক্কী ৱা নত্তে, গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী ওইহৌদবা শিন্মীশিংগী পুন্সিসুনি। মমা-মপা ওইবশিংনা, ফনা কান্নবা, শেল থোকপা থবক ওইদুনসু মচাশিংগীদমক গভর্ণমেন্টকী থবক তান্নরিবা মরম কয়াদগীনি। থবক তৌরিঙৈগী সর্ভিস কন্দিসন অমদি জোব-প্রোটেক্সনশিংগী ৱাদু তুংওইনরগা, থবক্তগী পোত্থারবা (রিটায়র্দ তৌরবা) মতুংগী পুন্সিদুগী ৱারীনি ঙসি লীনিংলুরিবা। 'পেন্সন' হায়না খঙনবা, শিনফম অমা পায়রম্বা নুপা/নুপী অদুনা শিনফমদুদই পোত্থারবা মতুংদা, শিদ্রিফাওবা হিংনবগী পান্থৈ ওইনবা লেপ্তুবা ইনকম অমা পীবীরিবা অদুনি 'পেন্সন'। মতম চাদনা শিখিবা থোক্লগসু, মহাক্কী পুন্সি খোঙলোয়দুদা পীগনি। মরমসিনা পেন্সনবু 'সোসল সিক্যুরিটি' অমনি হায়নসু হায়নৈ। পেন্সন'গী শেনফম অসি গভর্ণমেন্ট'না মাগী শেঙ্গাওদগী কোথোক্লগা পীবগুম খন্নৈ মীয়াম্না। তশেংবদি মদু নত্তে। রেগ্যুলার ইমপ্লোয়ী অমনা থবক তৌরিঙৈ মতমদা অককক্লবা শেনফম অমা মাগী তোলোপ'তগী কক্লগা ইনভেষ্টর অমদা ইনভেষ্ট তৌথোকই। অদুবু কৌই 'পেন্সন ফন্দ'। ফন্দদুদই কারকপা শেনে দায়দুনি ইমপ্লোয়ীশিংদা পেন্সন ওইনা পীরিবা- পীকপগীসু পীক্লা, চাউনা থম্বা ঙম্লম্বশিংগীনা চাউনা। শেনফম অদু ফংনবইদমক পেন্সন ফন্দ মেনেজমেন্ট কম্পেনিশিংদুনা তঙাইফদনা তুংশিল্লমগদবা মতম অমা লেপথোকই। অদুননি, 'পেন্সন ফংগে হায়রবদি তঙাইফদনা চহী কুন থবক তৌরমগদবনি হায়নরিবা। ৱাফম অসি নীংশিংজরুবগী মরমদি মপান ফরিঙৈ কলাকার অমদি শিন্মীশিংনা তাল্লম্বা শেনফমদুদগী, অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদা সোসল সিক্যুরিটি ওইনা ইনকম অমা লাক্লবা অককক্লবা শেনফম অমা পেন্সন ফন্দ'দা ইনভেষ্ট তৌবা য়াই, তৌগদবনি হায়জনীংলুবনি। পেন্সন হায়বসি গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীখক্কী হক নত্তে।

হৌজিক, সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা মীয়ামগী লুচিংবা (পোলিটিসিয়নদি নত্তবা) অমনা পি আই এল অমা থাঙ্গৎতুনা মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিল্লি। মহাক্লা হায়- পোলিটিক্স হায়বসি গভর্ণমেন্টকী জোব অমা নত্তে, সোসল সর্ভিস অমনি, মীয়ামগী সেবানি, ফ্রী সর্ভিসনি, মখোয়গী রিতাইরমেন্ট-এজ লৈতে, সর্ভিস পেরিয়ট লৈতে। এম পি নৎত্রগা এম এল এ ওইরম্লগদি চহী ৫গী মতুংদা পোত্থারগা অমুক নৌনা মীহুৎ ওইরক্লবা মীখল মায়োক্লগদবনি। অদুবু, মখোয়গীদি চহী ৫গী টর্ম অমা মীহুৎ ওইনা লৈরম্লবা, পেন্সন পীগদবনি হায়বা লো অমা লো-মেকর ওইরিবা মশানা শেমজদুনা ফংহল্লি। কাউন্সিল্লর/প্রধান ওইরম্বা অমনা এম এল এ, এম পি মথং-মথং ওইরক্লবা পেন্সন মখল অহুম, মী অমত্তনা ফংবা য়াই। মীচম/ইমপ্লোয়ীশিংনদি পেন্সন অনী ফংবা য়াদে।

অসুক মথোঙ হুক্তবা, লো মেকরশিংনা শেম্বা লো মীয়ামগী ঈহৌ অমনা হনে দাকহনগদবনি। পব্লিক সর্ভেন্টনি হায়বদায়, হ্যুমেনিটেরিয়ন সর্ভিস তৌদুনা পুন্সি কত্থোকউ, লাইগুম্না ঈরাৎকে। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১২৪

**উসম ধনঞ্জয়**

**ওক্টোবর ২৭, ২০০৯ :** ওক্টোবর ১০গী থৌদোক মতুংদা পাউমীশিংনা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী মখা তারকপা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন (দি আই পি আর) না ইস্যু তৌবা প্রেস আই কার্দশিং দিরেক্টরেট অসিগী দিরেক্টরদা ঙসি সরেন্দর তৌখ্রে।

পাউমী অনীদা মণিপুর পুলিস কম্মান্দো পর্সনেল খরনা তাথী-তাওইনা তৌবতা নত্তনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎকনি হায়দুনা কিহনবগা লোয়ননা ফূ-চৈবা তৌখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা পাউমীশিংনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি। মসিগী মনুং চন্না লৈঙাক্কী দিভলপমেন্টকা মরী লৈনবা পাউ ফোঙদনবা অমজু অমদি এদিটরশিংগী মীফম অমনা ৱারেপ লৌখিবনি।

দি আই পি আরনা ইস্যু তৌবা আইদেন্টিটি কার্দ পায়রবসু মণিপুর পুলিসকী মখূত্তগী পাউমীশিংগী পুন্সি তম্বা ঙমদ্রে হায়দুনা ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) গী ভাইস প্রসিদেন্টনা লুচিংবা পাউমীশিংনা মখোয় মখোয়গী আইদেন্টিটি কার্দশিং অদু দিরেক্টর টি সৎলৌদা মহাক্কী ওফিস কাদা সরেন্দর তৌখিবনি।

পাউমীশিংনা মখোয়গী আই কার্দ সরেন্দর তৌবা অদু দিরেক্টরনা য়াদবগা লোয়ননা পাউমীশিংগী আই কার্দ সরেন্দর তৌবগী খোঙজং অদু হন্দোকপীনবা হায়জখি। লোয়ননা নবেম্বর ১দা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট ইনফোর্মেসন দে অসি শরুক য়ানবা আপিলসু তৌখি।

অদুম ওইনমক পাউমীশিংনা লৈঙাক্কী দিভলপমেন্টকা মরী লৈনবা পাউ বোয়কোট তৌবগী খোঙজং চঙশিল্লিবনা তাং ১গী থৌরম অদু য়াওবা ঙম্লোই। অমরোমদা, দি আই পি আরনা ইস্যু তৌবা আই কার্দ অসি পায়রবসু মণিপুর পুলিসকী মখূত্তা পাউমীশিংগী পুন্সি তম্বা ঙমদবনা আই কার্দ অসি পায়রুবগী মথৌ তাদ্রে। দি আই পি আরনা একসেপ্ট তৌদ্রবসু ভলন্টরি ওইনা আই কার্দ অসি সরেন্দর তৌবনি হায়রদুনা আই কার্দশিং অদু সরেন্দর তৌবা হৌনখি। মদুদা দিরেক্টরসু মহাক্কী ওফিস কাদগী মপান থোকখি।

পাউমী অনীবু কিহনবতা নত্তনা ফূ-চৈবা অদুদা চেন্নবা পুলিস পর্সনেলশিং লৈঙাক্লা চৈরাক পীবগী মহুত্তা কনখৎতুনা থম্মী হায়দুনা হীরমসিগী মতাংদা অমজু অমসুং এদিটরশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা ঙসিগী আই কার্দ সরেন্দর তৌবগী ফিরেপ অসি লৌরকখিবনি। মখা তাবা খোঙজং ওইনা নবেম্বর ১দা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট ইনফোর্মেসন দে থৌরম্বু বোইকোট তৌদুনা নুমিৎ অসিমক্তদা পাউমীশিংগী ওইবা রেল্লি অমা চৎলগা কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন্দা মীফম অমা পাঙথোক্লবসু অমজুনা লাউথোকখিবনি।

**ওক্টোবর ২৭, ২০০৯ :** জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ থৌদোক্কী মতাংদা জষ্টিস অগরৱাল (রিটয়ার্দ) না প্রিসাইদিং ওফিসর ওইদুনা ইম্ফালদা হৌজিক চত্থরিবা জুদিসিএল ইনক্বারি অসিদা মশা লাক্তুনা জবান পীরনবা সম্মোন থাদুনা খঙহনবদা লাক্তবশিং ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট থাদুনা নমদুনা কৌনবা ওর্দর তাখ্রে।

কম্মিসন ওফ ইনক্বারি এক্ট ১৯৫২গী মখাদা মণিপুর লৈঙাক্লা শেমখিবা কম্মিসন ওফ ইনক্বারি অসিগী মরিশুবা সিটিং ঙসি হোটেল ইম্ফালগী কনফরেন্স হোলদা চত্থখি। মথংগী সিটিংনা মথং থাগী ১১গী অয়ূক পুং ১০.৩০দা লেপ্পখ্রে।

কম্মিসন্দগী প্রেসনা ফংবা পাউদা ঙরাং অপীবা মতম ফাওবদা মণিপুর পুলিসকী মায়কৈদগী মখোয়গী এফিদেবিট পীখৎলকখিদ্রবসু ঙসি পীখৎলকখি। কম্মিসন্দা মশানা লাক্তুনা ষ্টেটমেন্ট পীরনবা পুলিসনা মমাঙদা সম্মোন থাদুনা খঙহনখ্রবসু মরম পীদনা লাক্তবা মীওই অনীগী মথক্তা ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট থানবা ওর্দর তাখ্রে। এস পিগী খূত্থাংদা থাখিগদবা ৱারেন্ট অদু বেলেবল (লুপা ৫০০) নি।

ওর্দর অদুগী মতুংইন্না ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট ওর্দর তাখ্রবশিং অদুদি হৈঙাং মখা লৈকায়দগী পাঙম্বম লুখোই অমসুং নিংথৌজম কেশোরানি, নরান কোঞ্জিলনি। মখোয় অনীমক জুলাই ২৩গী থৌদোক অদুদা নোংমৈনা পান্দুনা শোকখিবশিংনি। ৱাঙ্খৈরাকপম গিতারানি (তেন্দোংয়াং) গী ওইনদি অশোকপনা মরম ওইদুনা কম্মিসন্দা মশা লাকপা ঙমদ্রে হায়না অইবা চেরোল (এফিদেবিট) পীশিনবগী মতম শাংদোকপীনবা হায়জখি হায়রি।

মহাক্কী ৱারোল অদুদা কম্মিসন্না খন্নবগা লোয়ননা গিতারানিনা জুলাই ২৩গী থৌদোক অদুগী মতাংদা খঙহৌবা, উহৌবশিং অমদি মহাক মশা মতৌ করম্না শোকখিবনো হায়বদুগী মতাংদা কম্মিসন্দা অইবা চেরোল ওইনা পীখৎলকপদা অয়াবা পীখি। লিগেল হেল্প দরকার লৈরবসু মণিপুর লৈঙাক্লা কম্মিসনগী কাউন্সিল ওইনা হাপ্লবা এদভোকেট টি ঐচ মোধুগা তানবা য়াগনি হায়নসু খঙহনখি। কম্মিসন্দা মহাকপু জবান লৌবগী ৱাফম অদুদি মতাং চারবা মতমদা খন্ননি। গিতারানিগী মেদিকেল রিপোর্টসু ঙসি কম্মিসন্দা পীশিল্লকখি হায়রি।

হৌজিক হৌজিক দিল্লিদা লৈবা এইমসতা মশা লায়েংলিবা গোলমৈ মঙাল রোংমৈ (মহাকবুই নামৈহিং কৈথেলমানবী ন্যু কছার রোদ) দি নৌনা সম্মোন থানবা খঙহনখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা গম্ভির সিংহ শোপিং আর্কেদ গ্রাউন্দ ফ্লোরদা লৈবা মায়মু ফার্মিসিগী প্রোপ্রাইটরবুসু কম্মিসনগী মথংগী সিটিংদা মশা লাক্তুনা জবান পীরনবা সম্মোন থারগনি। থৌদোক থোকপা মতম অদুদা ফার্মাসি অদুদা লৈবা এমপ্লোয়িশিংসু লোয়নরক্লবা খঙহল্লি হায়রি।

কম্মিসনগী ইন্সত্রক্সন মতুংইন্না জবান পীরনবা সম্মোন থাখিবশিং অদুগী পুলিসনা রিপোর্ট পীরক্ত্রিবা করিগীনো হংখিবগী মতাংদা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ৱেষ্টকী এস পিশিংনা কম্মিসন্দা পীখৎলকপা রিপোর্ট নৈনখি। সার্ভিস রিপোর্ট পীরকউ হায়রক্তবগী কম্মিসন্দা পীরক্তনি হায়না এস পিশিংনা পাউখুম পীরকপদা কম্মিসন্না য়ানীংদবা উৎলি অমসুং নবেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্লবা ওর্দর তাখি হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্লা জুদিসিয়েল ইনক্বারি লিংখ্রবনা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৭৬কী মখাদা মেজিষ্টেরিএল ইনক্বারি চত্থদ্রে হায়না ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা পীখৎলকপা রিপোর্ট অদুবুদি য়ানীংবা উৎখি।

পনবা য়াবদি, মণিপুর লৈঙাক্লা ওগষ্ট ২৭তা ওর্দর অমা থোক্তুনা লিংখৎখিবা কম্মিসন অসি ঙসিগা থা ২ ফারে। কম্মিসন অদুগী রিপোর্ট থা অনী ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্তা লানখৎকদবনি হায়জরবসু অশোকপা কাঙবম সুভাচন্দ্র খক (খা পোৎশংবম) নত্তনা অতৈ কনা অমত্তা জবান পীবা লৈত্রি।

**ওক্টোবর ২৭, ২০০৯ :** শকখঙদবশিংনা ফাজিন্দুনা থম্লকখিবা দিপার্টমেন্ট ফোর দিভলপমেন্ট ওফ ত্রাইবেল এন্দ সেদ্যুল কাষ্ট এ ঈ এ ওইবা য়ৌরবুং মনিং লৈকায়দগী নিংথৌজম চাউবা ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা থাদোরক্লে হায়না জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট দি কিদনেপিং ওফ শ্রী এন চাউবনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মহাকপু তেক্তা কায়দনা থাদোক্লকপা অসিগীদমক মরী লৈনবশিং অমসুং মহাকপু থাদোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

নিংথৌজম চাউবা থা অসিগী ১৪গী নুমিদাং পুং ৮ লোম তাবদা শকখঙদবশিংনা ফাখিবনি।

চাউবা তেক্তা কায়দনা থাদোরকপা অসিগা লোয়ননা মহাক ফাখিবগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সী অসিসু ঙসিদগী দিজোল্ব তৌরে হায়না কনভেনরগী চেরোল অসিনা মখা তারি।

**ওক্টোবর ২৭, ২০০৯ :** কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা মণিপুরনা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন্দা তিনখিবা নুমিৎপু আইন্না থিংখ্রবা মণিপুর পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট (এম পি এল এফ) না অমম্বা নুমিৎ হায়না লাউথোক্তুনা কৌখিবা মণিপুর পূম্বগী জেনরেল ষ্ট্রাইক মরক্তা 'মণিপুরবু ইন্দিয়াদা তিলহনখিবা য়ানীংদে' হায়দুনা খোঙজং চঙশিল্লুবী নুপী মরি নেসনল সিক্যুরিটি এক্ট (এন এস এ) গী মখাদা ঙসি জেলদা থাজিনখ্রে।

জেলদা থাজিন্দ্রিঙৈ মমাঙদা সী জে এম থৌবালগী কোর্টতগী নুপী মরি অদু থোক্লকপা মতমদা মফম অদুদা হান্না লৈরম্বা মীয়াম্না মখোয় মরিবু পুখিদনবা পুলিসকা মুক্লখি।

জেলদা থাজিনখ্রবা নুপী মরি অদুদি খোংজোম ময়ায় লৈকায়দগী মুতুম নিরমলা (৪৪), সাপম খুনমাঙদগী সাপম বিমোলা (৫৬), সাপম মনিং লৈকায়দগী চিংথাম বিলাসিনি অমসুং তেকচম মধুমতি (৬০)নি।

মখোয় হৌখিবা তাং ২০দা ককচীং পুলিসকী কাঙবুনা ময়ূম ময়ূমদগী ফারবা মতুংদা ঙসি অনীরক শুবা ওইনা চীফ জুদিসিএল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম) থৌবাল ওইরিবী আর কে মেমচাগী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা এন এস এগী মখাদা জেলদা থাজিনখিবনি। ●